থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ক্বালিটি এদ্যুকেসনগী মঙ

ইকুই কুইদ্রি - জর্মনগী চাঞ্চেল্লর এঞ্জেলা মর্কেলগী মরমদা পাউ অমা তাখি। ঈশামক্তি জর্মন য়ৌরুদ্রিবনা পাউ অদুগী অচুম-চুমদা লেপথোকপদি ঙমখিদে। ইন্টরনেট'তা য়েংলুবদা মান্নবা পাউ অমা য়াওরম্বদুদা অচুম্বা পাউ ওইরমাল্লে খল্লকখি। পাউ অদু মীয়ামদা অমুক্তা তমজগে, ঐঙোন্দা ফাওরিবা পূক্লিং ঈহুলসি অদোমদসু ফাওরকপরা য়েংবীয়ু। জর্মন'দা লৈবা/থবক তৌবা দোক্টর-ইঞ্জিনিয়র অমদি অতৈ শিনফমদা লৈঙাক্কী থৌদাং পাঙলিবা ময়াম্না 'এঞ্জেলা মর্কেল' (নুপী চাঞ্চেল্লর) দা অইবা ৱাকৎ অমা লানখৎখি - 'মখোয়বুসু ওজাশিংগা মান্নবা খুৎশুমল (তলব) ফংহনবীয়ু।'



জর্মন লৈঙাক্কী মখাদা থবক শূরিবশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী অহেনবা খুৎশুমল (তলব) ফংবা, ঈকায় খুম্নবা শিনফমসি 'তাকপী-তন্বীবা' (ওজা) গী শিনফম অসিনি। 'হর হায়নেস এঞ্জেলা'না পাউখুম পীরকখি ...'তোঙান-তোঙানবা শিনফমদা থবক শূরিবা ওফিসর/শিন্মী খূদিংমক ওজানা তাকপী-তন্বীরকপা ঙাক্তনি, নখোয়বু তাকপী-তন্বীরিবা মখোয়গা নখোয়গা মান্নবা খুৎশুমল ফংহনবদি কদায়দগী য়ারনি, মদু অচুম্বা ৱায়েল নত্তে।'

জর্মন চাঞ্চেল্লরগী ৱা অসি ঙসি নীংশিংজরুবগী মরমদি - মণিপুরদা ওজাশিংগী ওইরিবা থাক অমদি ওজাশিংদা খুন্নাইনা য়েংনরিবা মীৎয়েং অসি খল্লুবদা পোক্লকপা লাংতক্লবা অসিননি। হৌখিবা চহী কয়াসিদা ঐখোয়গী মহৈরোয়শিংনা অকনবা খোল্লাউ অমা লাউরকখি - 'ঐখোয়বু ক্বালিটি এদ্যুকেসন ফংহল্লু' ...'লমদমসিদা ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরকউ...।' ক্বালিটি এদ্যুকেসন! হায়বদি, মগুণ লৈবা মহৈ-মতম্বী! খোল্লাউসিনা তাক্লে - ঙসিগী মহৈরোয়শিংনা, হায়বদি, ঙসিগী খুন্নাই অসিনা ঙসিগী এদ্যুকেসন সিষ্টেম অমদি পীরিবা এদ্যুকেসনগী থাক অসিদা পেন্দ্রে। ঙসি-ঙরাংতগী ৱা নত্তে, মণিপুরদা এদ্যুকেসনগী থাক লৈখা তারক্লিবা কুইরক্লে। মীয়াম্না লাংতক্করক্লিবা কুইরক্লে। ঙসি, মাইবনা খূৎ থারবা অনাবা অমা ওইরক্লিবা - লীশাঙ শীৎনা চত্থরকখিবা, অমগী মথঙদা অমা লাকখিবা লৈঙাক-থৌশিল হৈতবা লৈঙাকপশিংদুনা থোকহনবনি। লৈবাকসিদা এদ্যুকেসন পোলিসী লৈতে। চেদ লৈরম্বা তার'সু থবক ওইনা চৎনদে।

লৈঙাকসিগী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট, লৈতবগা পাঙ্খক ওইরক্লে, থল্লুবগী কান্নদ্রে। লৈবাক মীয়াম হূপ্পুনা নৈনবা মথৌ তারক্লে - এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট মূখৎনবা করম্বা অতোপ্পা মোদেল অমা পুথোক্লগা, মহৈ হৈনিংবা মহৈরোয়দা করম্না ক্বালিটি এদ্যুকেসন পীবা ঙমগদগে? পাউখুম লৈতবা ৱাহং নত্তে। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতা মথৌ তৌরিবা মখোক্তগী মতোন ফাওবগী শিন্নীশিংসু খঙই - লৈঙাক্কী স্কুল থমদনা, প্রাইভেট স্কুল ঙাক্তা লৈহল্লগা তশেঙনা মনীং তমহনবনা, মণিপুরগী এদ্যুকেসন মখা তানা পূম্মাঙ মাঙখিগদবদগী কন্নবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বেনি। চৌকিদার, পিওন, কেরানিদগী হৌরগা ওজা, দিরেক্টর, কম্মিস্নর, কনাগী মরী লৈনবা মিনিষ্টর ফাওবা লৈঙাক্লা চলাইবা স্কুলদা মচা লাইরীক তমহন্নীংদে, তমহন্দে। নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসীগী থৌরাং-থৌরম পূম্নমক অমত্তা খাক্ত' পায়খৎখি।

পূকচেল শেংনা তৌদবনা মায় পাকপা ঙমদবগী ৱাতনি। লৈঙাক্লা চলাইবা স্কুলগী মহৈরোয়না মরু ওইবা চাংয়েং (পরিক্ষা) শিংদা লীশাঙ শীৎনা ঈকায় ফিরুক খুম্নিংঙাই ওইবা মহয় ফংলকপদা ঈকায়বা পোকপীদ্রবা ওফিসর, মিনিষ্টরনি। হৌজিক্তি করি তৌরুনি! মীয়াম হূপ্পা অমত্তা ওইবা ৱারেপ লৌরগা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মচা-মশু থাদবা নত্তবা অতৈ পাম্বৈ উবা ঙমদে। অদুবু, মহৈরোয় পুম্বা কোনশিনবা ঙম্বা প্রাইভেট স্কুল মশিং সুনসু লৈতবনা, প্রাক্টিকেবল ওইবা আইদিয়া নত্তে।

হৌজিক লুরিবা ৱাহংদি - প্রাইভেট স্কুলদগী থোরক্লিবা মহৈরোয়শিং ক্বালিটি এদ্যুকেসন ফংলবরা হায়বসিনি। মীখা পোনবা লৈবাক ওইরম্বদগী নীংতম্বা লৈবাক্কী নীংতম্বা নাগরিক ওইরকখিবদা ঐখোয় পুম্নমক্তা মঙহনখিবা মঙলান অদুদি - লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা মীওই খূদিংমক মান্নবা থাক্তা লৈহনবা, নীংতম্না ৱাখল খনবা, থবক তৌবা অমদি হিংজবা ঙম্নবা মতীক চাবা, মান্নবা এদ্যুকেসন ফংহনবা অদুনি। অঙাংশিংদা ক্বালিটি এদ্যুকেসন ফংহনবগী তঙাইফদবা করিগী? মশাগী নীংতম্বা ৱাখলদুনা মশাগী লাইবক লেপচবা ঙমহনবা, মশাগী পূন্সি শেমজবা ঙমহনবা। অসিখক্তা নত্তনা, মখোয় মশা মশাবু খুন্নাইগী ওইবা থবক থৌরমশিংগা অচেৎপা মরী থমদুনা লৈবাক শেম্বদা শরুক য়াহনবা।

অহৌবদা পঙখিবা জর্মন চাঞ্চেল্লরগী ৱাখলসি ঐখোয়গী লৈঙাকপশিংনা ঙরাং খনবা হৈখিদ্রবসু, ঙসি খনবা তন্নবা - থাজবীয়ু হয়েংগী এদ্যুকেসন'দা অচৌবা অহোংবা লাক্কনি। ঈনাক খুনবা লল্লোনবা, শেঞ্জাও চাবা ওফিসর মিনিষ্টরশিংগী মচাশিংনা এয়র কন্দিসন তৌবা ইন্টরনেসনল স্কুলশিংদা, সহরগী মিদ্দল ক্লাস কাঙবুনা অতৈ প্রাইভেট স্কুলশিংদা, গর্ভর্নমেন্টকী থৌমীশিংগী মচানা সেন্ট্রেল স্কুলদা। অতৈদি? লায়রবগী পনখৈ মখা অমদি মথক ওইরপ লৈবশিংগী মচাশিংনা শঙ্গোলগা মান্ননা থল্লিবা, অমোৎ-অকায় হুন্দোকফম'লা? অমাঙশঙলা খঙদবা গর্ভর্নমেন্টকী স্কুলশিংদা। চীংনুং খুলগী স্কুলশিংদনা ওজা নত্তবনা তন্বীবা। ফংলগা চাবা ফংদ্রগা তোকপা কাঙবুনা, ফ্রী এদ্যুকেসন ফংহনবা ওজা লৈতবা স্কুলদা।

খন্থবীয়ু অমুক্তা, ক্বালিটি এদ্যুকেসন কৈদৌঙৈ কনানা পুরক্কনি?

লৌশিং পুক্কে

# অঙাংদা তাথি-তাওইনা তৌবগী মাঙজবা



অঙাংদা তোয়না চৈগনবা অমসুং ঙাইহাক লৈতনা ঈশৌ লাংবা মমা-মপানা য়োকপা অঙাংশিং চাউরক্লগা মশা-মউ ফগন্দে হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী আইওৱা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী থোমাস স্কোফিল্ডনা হায়খি, পীক্লিঙৈদা তাথি-তাওইনা তৌবীবা অমসুং তোয়না চৈবীবা অঙাংশিংনা চাউরক্লগা মায়োক্লবা হকশেলগী খুদোংচাদবশিং পাক-হেক কোকহনবা ঙমদে। অঙাংদা খক ফূবা-চৈবা তৌরোইদবনি হায়বগী ৱা নৎতে। মতাং-মতম চানা চৈদবসু য়াদে। অদুবু ফহন্নিংলিবনি হায়দুনা খোঙথাং খুদিং শেন্নদুনা অশোয়বা থিরগা চৈ-থাংবা তৌরোইদবনি। মমা-মপা ওইবশিংনা নুমীৎ খুদিংগী করিসু লৈতবা মরম অমগীসু চৈবা তারবদি অকোনবদা অঙাংনা মৱা লৌবীদবা, থৌশাবীদবগী ফীভম লাকপা য়াই।

মতৈ-মনাও ৪৫১ না মচা য়োকপগী মওং মতৌ রিছার্চরশিংনা কূপ্না য়েংশিল্লম্মী। অঙাংশিং অদুনা চাউরক্লগা ওইরকপা হকচাংগী ফীভমসু য়েংশিল্লম্মী। মদুনা তোয়না চৈবীবা অমসুং ঙাইহাক লৈতনা ফূবীবা অঙাংশিং চাউরক্লগা হকচাংগী অরূম্বা-অনোয়বা হেনবতা নত্তনা তোঙান তোঙানবা হকশেলগী খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্নে হায়বা খঙলকখিবনি।

'সোসল সাইন্স এন্দ মেদিসিন' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টতা আইওৱা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী থোমাস স্কোফিল্ডনা হায়খি, মমা-মপা ওইবশিংনা করিগুম্বা মচাশিংবু তশেংনা হীরম খুদিংমক্তা ফহন্নিংলবদি তোয়না চৈবী-রোইদবনি, ফূবীরোইদবনি অমসুং তাথি-তাওইনা তৌবীরো-ইদবনি। অদুবু ইপানা চৈরক্কনি নৎত্রগা ইমানা ঙাঙলক্কনি হায়বগী অকিবা অমদি ফাওহনগদবনি। ফূবা ঙাক্তনা, চৈবা ঙাক্তনা অঙাংবু হেন্না ফহনবা ঙমগদবা নত্তে। মদুগী মহুৎতা হেক্তা অফবা ওজা অমগী মতৌগুম অফবনা করিনো অমসুং ফৎতবনা কদায়বুনো হায়বদু অঙাংশিংদা ময়েক শেংনা খঙহনবগা লোয়ননা মদু তৌদবা তারবদি ইমা-ইপা শাউরক্কনি হায়বা খঙহনগদবনি।

অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটি ওফ ইলিনোইগী রিছার্চরশিংনা চত্থখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মথন্তা তোখায়না পীজবগী মহুত্তা ইমুং-মনুং পুন্না চামিন-থকমিন্নবগী হৈনবী থম্বা ইমুংগী অঙাংশিং চাউরক্লগা চাকচা-য়ুথক ফজৈ হকশেলগী খুদোংচাদবা মায়োক্লদে।

ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ইলিনোইগী বার্বরা ঐচ ফিজনা হায়খি, ইমুং-মনুংগী মীওইশিং পুন্না চামিন্নবা মতমদা অঙাংশিংনা মমা-মপাদগী ফজবা চাকচা-য়ুথক্কী মওং মতৌ তমহৌই। করম-করম্বা চীঞ্জাক চারগা হকচাং ফবগে হায়বদুসু অঙাংশিংনা মমুৎ তানা খঙহৌই।

মীওইবনা হকচাংগী অরূম্বা অমদি অনোয়বা হেল্লকপগী তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামরুম লৈ। অদুবু পীক্লিঙৈদগী চাকচা-য়ুথক ফজবা তম্বীহৌরবদি তুংগী পুন্সিদা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহন্দে।

য়াম্না মরুওইবা অমনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং পুন্না চাক চামিন্নরিঙৈদা মরুওইবা ইস্যুশিং পুথোক্তুনা খন্নহৌগদবনি অমসুং অমগা অমগা পাউ ফাওনহৌগদবনি। অঙাংদা অফবা পাউতাক পীগে হায়রবদি চাক চামিন্নরিঙৈদা পীহৌবনা খ্বাইদগী ফবা হেল্লি।

রিছার্চরশিংনা ইমুং ২০০ রোমগী মওং মতৌ কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা খঙলকপা মতুংইন্না অঙাংশিংবু অফবা মীশক অমমম ওইহনগে হায়রবদি নুমীৎ খুদিংগী ইমুং পুন্না চাক চামিন্নগদবনি অমসুং চামিন্নরিঙৈদা অফবা পাউতাক পীহৌগদবনি।

চাকচা-য়ুথক ফজবা হায়বসি মীওইবগী পুন্সিদা য়াম্না মরুওইবা গুননি। মরম অদুনা অঙাংশিংগা পুল্লপ চাক চামিন্নদুনা ফজবা চাকচা-য়ুথক কদায়বু কৌবগে হায়বদু থবক ওইনা উৎকদবনি। মমা-মপা ওইবশিংনা মচা-মশুশিংদা ফনা ফবা পাউতাক পীরবসু অঙাংশিংনা পাক হেক ইল্লু হায়বা য়ারোই। ঙসি খুন্নাইদা ফৎতবা থবক কয়া তৌরিবা মীওইশিং অসি মমা-মপানা ক্রাইম তৌরুচো হায়না পাউতাক পীরকখিবা নৎতে। অঙাংশিংবু অফবা মী ওইহনগে মমা-মপাশিং অফবা মীশক হান্না ওইবা তাই। লমচৎ-শাজৎ ফজবা তাই। মদুতদা অঙাংনা মতৌ তম্লক্কদবনি হায়রি। নৌরিবা অঙাংগী ৱাখলদদি মমা-মপানা মালেমদা খ্বাইদগী ফাওবা হিরো-হিরোইননি। মরম অদুনা অফববু ওইরবসু ফৎতববু ওইরবসু মমা-মপানা তৌবা থবক খুদিংমক মচানা মতৌ তম্লকপা হৌনশানি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি ফেমিলি রিলেসন জর্নেলগী ওনলাইন ইদিসনদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।



# ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং শেমগৎপনা মীওই কয়াদা থবক পীবদা তেঙবাংগনি : বিস্বজিৎ



ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) : ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং শেমগৎপনা মীওই কয়াদা থবক পীবদা মতেং পাংগনি হায়না কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎনা ঙসি নম্বোল মাইবমলোৎপা চীং লৈমরাম লমখায়দা লৈবা অর্কস মোদর্ন হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফটস ইন্টর্প্রাইজেসকী নৌনা শাবা ৱার্ক -শেদ শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর বিস্বজিৎনা হায়খি, ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং শেমগৎপা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদে। থবক ফংদ্রিবা মীওই কয়াদা থবক শুফম-নোমফম পীবদা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিংনা মতেং পাংগনি। ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চহী অমদা মীওই লাখ অমা হেনবদা হিংনবগী লন্বী পীনবগী মীৎয়েং থল্লি। থবক ফংদবগী প্রোব্লেম য়াম্না লৈরিবমখৈ খুন্নাইদা তংদু-লৈতাদবা ফীভম লৈগনি। লৈঙাক্কী থবক ঙাইদুনা লৈবগী মহুৎতা তোঙান-তোঙানবা শীনফম কয়াদা শেন্দান লন্বীশিং পুথোক্লবা হোৎনবা তঙাইফদে।

মণিপুরী খুন্নাইদা নুপীশিংনা হীরম কয়াদা থৌদাং কয়া লৌই। হেন্দলূমগী লম্দা য়েংলুরবসু নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। লমদম অসিদা লৌউ-শিংউবা খক্তা নৎতনা হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফটকী থবক অসিসু হিংনবগী শেন্দান লন্বী ওইরিবা মরুওইবা হীরমশিংনি।

দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসলশিংনা বেনিফিসরিশিংদা লোননচিংবা পীনবা থবক পায়খৎলকপদা য়াম্না কাঙলোন চুম্না পায়খৎকদবনি। করিগুম্বা অচান-মীরান নাইবা থৌওং চত্থরবদি নহা ওইরিবা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং অমদি আর্টিসানশিংগী পূক্লিং হন্থনিংঙাই ওইগনি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী মীৎয়েংদি চীং-তম থোং মান্ননা চাউখৎমিন্নবা অসিনি। চীংগী লমশিংদা চাউখৎ থৌরাং থিন্থবনা কনফ্লিক্ট কয়া থোকহল্লি। বেনিফিসরিশিংদা সোলার পাৱর লূম অথুবদা য়েন্থোক্লগনি। মসিনা পোত্থোক পুথোকপগী চাং হেনগৎকনি।

জিরিবাম অমদি মোরেদা কটন প্লান্টেসন তৌনবগীদমক সোইল টেষ্টিং তৌগনি। কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টশিংগী মায়কৈদগী ফিশাবীশিংগী দোর ষ্টেপতা রো মেটরিএলশিং দেলিভরি তৌনবগী থবক হৌদোক্লগনি। তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়াগী থবক থৌরমশিং থা খুদিংগী ওইনা রিভিয়ু তৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন লাইশ্রম রাধাকিশ্বর অমদি এম এল এল, পি সরতচন্দ্রসু শরুক য়াখি। দিরেক্টোরেট ওফ হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফটকী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

# নুমিৎ নীনিগী পেরা লিগেল ভলুন্টরি ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী লমজিং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল ওথোরিটি থৌবালনা শীন্দুনা পেরা লিগেল ভলুন্টরি অমদি নুমিৎ নীনি চত্থগদবা ট্রেনিং অমা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট সেসন কোর্টকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেসকী মেম্বর সেক্রেটরি আর কে মেমচা, দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ সলাম ইমোচা, দেপ্যুটি কম্মিস্নর এল নবকিশ্বর, এস পি থৌবাল কে মেঘচন্দ্র, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এল গম্ভী, সী জি এম থৌবাল ওজেস মুতুম অমসুং জে এম আই সী থৌবাল লমখোলাল কিপজেন্নচিংবসু শরুক য়াখি।

ট্রেনিং অসি হৌদোকপগী ৱা ঙাংবদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেসকী মেম্বর সেক্রেটরি আর কে মেমচানা হায়খিবদা, দেম্মোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক অমদা লৈরিবা লৈবাকসিগী মীয়াম অসি তঙায়ফদনা ইন্দিয়াগী মীয়ামদা খঙহনবা য়াম্নমক মরু ওই। মরম অদুনা অসিগুম্বা খোঙথাং অসি লৌখৎপদা পেরা লিগেল ভলুন্টরি অমসুং লিগেল এইদ কাউন্সিলশিং ট্রেনিং পীবনি হায়খি।

দিষ্টিক্ট এন্দ সেসন জজ সলাম ইমোচানসু ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী অহৌবদা য়াওরিবা পোলিটিকেল জষ্টিস, ইকনমিক জষ্টিস অমসুং সোসল জষ্টিস অসি মীয়ামদা ফঙহন্নবা হোৎনবদা মরুওইনা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবা পেরা লিগেল ভলুন্টরিশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। মরম অদুনা ঙসিদগী হৌরগা হয়েং ফাওবা চত্থগদৌরিবা ট্রেনিং অসি পেরা লিগেল ভলুন্টরিশিংনা অখঙ অহৈ কয়ানা তাক্লিবা নিয়ম-কাঙলোন খুদিংমক খঙননবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

# মহাভির মেদিকোসতা বোম পোকখায়হনখিবা পীপ্রাক্লা ওইরম্লে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) : থাঙ্গাল কৈথেলগী কষ্টুরি থোঙ মনাক্তা লৈবা মহাভির মেদিকোস, অজয় কুমার জেন (৪৩) অপোকপা কুন্দন মঞ্জিন জেনগী থাঙ্গাল কৈথেলদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ রোম তাবা মতমদা বোম পোকখায়হনখিবা অদু লালহৌলু প্রীপাক্লনি হায়না লুপ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পল্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী পল্লিসিটি ওফিসর, অচৌবনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মহাভির মেদিকোসদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ রোম তাবা মতমদা বোম পোকখায়হনখিবা অদু পীপলস রিভোলুস্নরি পার্টি ওফ কঙলৈপাক (পীপ্রাক) কী রেদ আর্মিগী য়ুনিট অমনা চত্থখিবনি। লুপনা অকক্লনা থমখিবা ৱাফম খরা মেদিকোস অসিগী প্রোপাইটর অজয় কুমার জেন্না থাওই ৱাওইদনা লুপতা পাউ ফাওরক্তবগীদমক্ত অহানবা ৱার্নিং ওইনা বোম অদু পোকখায়হনখিবনি হায়রি।

অজয় কুমার জেন্না অথুবদা পার্টিদা পাউ ফাওরক্তুনা লুপনা থমখিবা ৱাফম থবক্তা ওন্থোক্কদবনি। অতৈ মেদিকোস/ফার্মাসিশিংদা পার্টিনা থমখিবা ৱাফমশিং অথুবদা পাউ ফাওরক্তুনা থবক্তা ওন্থোরক্ত্রবদি মহাভির মেদিকোসদা চত্থরিবা এটেক অসিদগী হেনবা অতৈ মখল কয়াগী এটেক চত্থগনি হায়রি। বোম পোকখায়হনখিবদু য়ারিবমখৈ মীচম শোক্তনবা অচেঙবা তাঞ্জা য়েঙদুনা রেদ আর্মিশিংনা চত্থখি অদুবু লাইবক থিবদি কোন্থা খাবম হৈবোঙ মখোঙদগী ৱাইখোম রাজেন (৩২) কৌবা মীওই অমা অশোক অপন নঙখিবা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

# লুচিংবা অমনা হায়ফম থোক্তবা ৱাফমনি: কাদা

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) : রিমস কী জুব্লি হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বীরেননা 'য়ু থিংলে হায়দুনা পঙলাউদা লাউবা, থকপসু অদুম থকপা, থিংবসু ঙমদবা' হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি ষ্টেট অমগী লুচিংবা অমনা হায়ফম থোক্তবা ৱাফমনি হায়না কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ আলকোহোল (কাদা) গী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পল্লিসিটি সেক্রেটরি এল সঞ্জয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লমদম অসিগী হৌজিক লৈরিবা তংদু-লৈতাদ্রবা ফিভম অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরম অমা হায়রগদি য়ু অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং অসিনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মণিপুরগী অপূনবা মীশিংগী শরুক ৮০% দি ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল অমা নত্রগা অমা শিজিন্নৈ হায়না লৌবা য়াই। মণিপুরগী চৎনবী থৌদোক-ৱাথোক কয়াদা য়ু অসি য়াউদবা য়াদবা মচল অমা ওইনা লৌনরে। য়ু শিজিন্নরগা মীহাৎ-মীপুল, খৎন-চৈনবা, নুপী-অঙাংদা ওৎ নৈবা, ইকায় খুম্নবা মাংহনবিবা, লন্বীগী খুদোংথিবা কয়া থোকহন্দুনা মহৌশাগী পুন্সিদা অচৌবা শাফু অমা পীরি। মরু ওইনা য়ু থকপাশিংনা মাগী-মাগী ইমুংশিংদা লৈরিবা নুপী অমদি অঙাংশিংদা চত্থবা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী থৌদোক কয়া নোংমা কাংদনা থোক্লি। য়ুদগী থোক্লক্লিবা তাহৈ-উহৈদ্রবা থৌদোক কয়া অসি নোংমা কাংদনা থোক্লি। য়ুদগী থোক্লিবা তাহৈ-উহৈদ্রবা থৌদোক কয়া অসি খঙবা ঙম্লকতবদগী ১৯৭০ গী পরিংদগী হৌনা নিশাবন্দ হায়বা নুপীশিংতগী ওইবা অকনবা ঈহৌ চঙশিন্দুনা লাক্লি।

হৌজিকসু লৈকায়-লৈকায়, খুন খুদিংদা ইমা-ইবেলশিংনা মৈরা পাইবী/নিশাবন্দ ওইনা য়ু থিংদুনা মপুরোইবা অমদি মচা কয়াবু য়ুদগী কলহৌনবা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লি। সি এ দি এ নসু মণিপুরগী মফম কয়াদা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা ময়াই কাবা নিশাগী ইপাক্তা লুপখিগদৌরবা অসি খরদং ওইরবসু কঞ্জবা ঙম্নবা হোৎন্দুনা লাক্লি। মণিপুর লিক্যুর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ শেমদুনা য়ু থিংনবা হোৎনরিবা লৈঙাক অসিনা ঙসি ফাওবা মশক থোক্লা থবক অমত্তা পাঙথোকপা উদ্রি। মতম অমগী আর কে রনবিরনা লুচিংবা এম পি পি গর্ভর্মেন্টনা চৎনরম্বা এক্ট অসি ঙসিদি মমিংতগী ঙাইরে। হৌখিবা গর্ভর্নমেন্টকী মতমদা ফমখিবা এসেম্লী মীফমদা মতমদুগী চিফ মিনিষ্টরনা "মণিপুরগী য়ু মপালদা থাদোক্লবা খন্নরি" হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুদা মীয়াম হৌরক্তুনা ইহৌ কয়া শাগৎখিবা অদু চীফ মিনিষ্টর এন বীরেননা নীংশিংবিয়ু।

১৯৯১ দা শেম্লম্বা এক্ট অমবু ২০০২ দা ও ইবোবি গর্ভর্ণমেন্টনা অমুখক এমেন্দমেন্ট তৌরম্বা অদুসু চীংগী মফমশিংদা অথিংবা কোমথোকপা অসিনা তাকপদি মণিপুরদা পাল্লম্বা গর্ভর্ণমেন্টশিং অমদি হৌজিক পাল্লিবা গর্ভর্ণমেন্ট অসিনা য়ু থিংবা অসি তশেংনা পামদে তাকপনি। হৌজিক এক্ট অদুবু ইমপ্লিমেন্ট তৌগদৌরিবা এক্সাইস দিপার্টমেন্ট করম্বা ফিভমদা লৈরি। ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি মেন পৱার কয়াম শোকচিল্লিবগী হায়বসে মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। এক্সাইস দিপার্টমেন্টনা অতৈ মতমদা য়ু থিংদ্রবসু ইলেক্সন কম্মিসনগী ওর্দর লাকপদদি ইলেক্সন ময়া খুদিংগী য়ু ময়াম অমা ফঙগৎলি। সি এমগী ৱাফমদা য়ুদগী মণিপুরগী অচৌবা রিসোর্হ্ব অমা লাক্কনি হায়না ফোঙদোক্লিবা অসিনা ষ্টেট অসি য়ু থকপা থিংবা ঙমদ্রবনিনা অদুমক পিথক্তুনা মাঙহল্লসি হায়রিব্রা। য়ুদগী লাক্কদৌরিবা ইনকম অদুগা মীয়ামগী পুন্সিগা মন্তিক্লবা য়াব্রা।

খুদম ওইনা লোইতাং খুনৌগী স্পিন্নিং মিল মতম অমদা মীওই কয়া অমা থবক পীরনি হায়দুনা অচৌবা ৱাখল শাগৎখিবা ঙসিদি কদাইদা চৎখ্রে। হুন্দুংগী সিমেন্ট ফেক্টরি হৌজিক কৈদৌখ্রে। লোক্তাক প্রোজেক্টকী মৈ মীওই কয়াদা কান্নবা পিখ্রবগে। জিরিগী বেম্বু চিপ্পিং প্লান্ট করি ফিভমদা লৈরিবগে। ৱাংবলগী খনশারি সুগর বিল করি ফিভমদা লৈখ্রে। হৌজিক লোগী চৈঙাক পীদুনা য়ু শুংহল্লসি হায়রিবা অসিসু কদাই ফাওবা কুইনা চৎকদগে অমদি মায় পাক্কদগো। য়ু শুংবা অসি দিষ্টিলেসন য়ুনিট অমা শেমগত্তবা য়ারোই, মদুগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেম্বা অমদি লৈবদা য়ামদ্রবদা ক্রোর খরদি চঙগনি। করিগুম্বা মণিপুরগী য়ুশিং অসি মপালগী কৈথেলদা য়োনবা ঙমখিদ্রগদি, শেল মাঙবা য়াদে হায়দুনা মণিপুরদা থাদোক্লক্লোই হায়নিং-ঙাই লৈব্রা।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফাওবা ইন্দিয়াগী মফম খুদিংদা দ্রগ অমদি য়ু থিংনবগী অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। হৌজিক-হৌজিক বিহার, কেরলা, লক্ষদ্বিপ, নাগালেন্দনাচিংবা মফমশিংদা য়ু থিংদুনা ষ্টেট অদুদা থোক্লিবা ইরাংশিং লাকশিনবা হোৎনরি।

হৌজিক ময়াম্না শিজিন্নরিবা য়ুশিং অসি চেঙদগী শুংবনি। মণিপুরগী অপূনবা মীশিংগী চহী অমদা চাননবা লমদম অসিদগী পুথোকচবা চেঙ (মীতৈ চেঙ) অসি ফাওবা চাবা কোন্নদদুনা মপালদগী পুশিল্লকপা উফুল কাবা, নুং য়াওবা সুপর ফাইন পুশিল্লক্ত্রগদি চাবা কোন্নদ্রিবা অসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। য়ু শুংবদা চঙগদৌরিবা চেঙ অসিসু সুপর ফাইন অদু নত্তে, ইরমদম অসিদগী পুথোকচরিবা চেঙশিং অদুনা শুংবগী সেকমাই, অন্দ্রো, ফৈয়েং হায়দুনা শিংথারিবনি। য়ু শুংবদা চেঙ ময়াম অমা শিজিন্নখ্রবদি চাবা কোন্নদ্রিবা অসিগী মথক্তা হেন্না অৱাবা মায়োক্লগনি। মণিপুরদা ১৯৬৫ দা থোকখিবা চেঙ তাঙবা থৌদোক অদু কার্বর ৱাল্লা খরনা চেঙ মীয়ামদা ফঙহন্দনা মপালদা থাদোকখিবদগী থোকখ্রিবনি। অদুদগী হেন্না য়ু শুংবদা চেঙ শিজিন্নখিবা তারবদি ১৯৬৫ তগী হেন্না চাওবা চেঙ তাঙবা অমা থোক্লক্লোই হায়নিং-ঙাই লৈতে।

হৌজিক য়ু থিংলে হায়বা অসিদা ফাও মণিপুরীশিংগী মেন্টেলিটিদা য়ু থাদোকপা ঙমদ্রবা অসিনা করিগুম্বা য়ু অসি ওপন্দা থাদোক্লবা/লিগেলাইজ তৌরক্লবদি য়ু থকপগী চাং কয়াম য়াম্না হেনগৎকদগে, তাহৈ-উহৈদ্রবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া থোক্লগনি।

কাদানা থমজনিংবদি হৌজিক-হৌজিক ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবগী চাং অসি অসুক্কী মতিক হেনজিল্লক্লবনি। য়ুগী ওইনা মণিপুর লিক্যুর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১, দ্রগকী নারকোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্স এক্ট ১৯৮৫, হিদাক মনাগী ফূদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দর্দ এক্ট ২০০৬ হায়রিবা এক্টশিং অসি লৈঙাক্লা মপুং ফানা চৎনহন্দুনা খুন্নাই অসিগী হৌগৎলক্লিবা য়ুন্বীরেলশিং অসি কন্নবা হোৎনবিয়ু। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা ইন্সষ্ট্রক্সন পিবিদুনা হেন্না খুমাং চাওশিন্না থবক পাইখৎহনবিবা মথৌ তাই। মদু নত্রবদি খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ুন্বীরেল ওইরক্কদবা নহারোল কয়াগী পুন্সি নোংমা-নোংমগী নিশাদা লুপখ্রগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) : নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন টেক্সটাইল প্রোমোসন স্কীমগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসর হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল থৌবালনা ৱির্ভর্স সর্ভিস সেন্তর ইম্ফালগা খুৎশম্নদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম ক্লষ্টর তরুক অমদি ককচিং খুনৌগী ক্লষ্টর অমা পুন্না ক্লষ্টর তরেৎতা ক্লষ্টর দিভলপমেন্ট প্রোজেক্টকী মরমদা খঙহন্নবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম ঙরাংদগী থৌবাল অথোকপম ময়াই লৈকায়দা লৈবা হেন্দলুম ক্লষ্টরদা পাঙথোকখ্রে।

ফিশাবীশিংদা লৈঙাক্লা পীরকপা স্কীম কয়া অমদি বেঙ্কশিংদগী লৌবা য়াবা কান্নবা কয়া অদু খন্ন নৈনবগী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা দব্লিউ এস সী ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্তর (ৱিভিং) এম ইবোহল, দি ও ঐচ টি থৌবালগী প্রোজেক্ট মেনেজর সীঐচ তোন্বী অমদি থৌবাল অথোকপম ৱার্দ নম্বর ৬ কী মেম্বর দব্লিউচাউবনা অথোয়বা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা দি ও ঐচ টি থৌবালগী প্রোজেক্ট মেনেজর সীঐচ তোন্বীনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর লৈঙাক্লা থৌরম কয়াদা হেন্দলুমগী পোত্থোকশিং শীজিন্নসি হায়বগী ৱাফম লাক্লে। স্কুলগী মহৈরোয়শিংসু হেন্দলুমগী ওইবা পোৎলমশিং শীজিন্নবা হৌরক্লগনি। ঙসিদি ফিশাবীশিংনা য়াম্না পূক্লিং নুংঙাইনা ফি শাবা য়ারে হায়নসু ফোঙদোকখি। লৈঙাক্লা ফিশাবীশিংগীদমক পীরক্লিবা স্কীমশিং, হোম দেলিভরি স্কীম, সবসিদি স্কীম, মুদ্রা স্কীম অমদি অতৈ বেঙ্কশিংদগী লৌবা য়াবা স্কীম কয়াগী মরমদসু ফিশাবীশিংদা খঙহনখি।

# পি এল এগী কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল, জুন ০৮ : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দো অমদি ৪২ শুবা অসাম রাইফলস য়াওবা কম্বাইন্দ টিম অমনা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম মোইরাং লমখায় এরিয়াদা থিবা হুম্বা চত্থবদা পি এল এগী কাদর অমা ফারে হায়রি। কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফারবা নুপা অদুগী মমীং হাওরোংবম কালামু এলিয়জ ননাও এলিয়জ ঙানবা (৩০) অপোকপা ঐচ নোগেন্দ্রো কৌই। মহাক সলাম কোঞ্জিন ময়াই লৈকায়দা লৈবনি হায়রি।